**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফালগী সৈনিকদা স্কুলগী গার্লস হোষ্টেল শেমগৎ শাগৎপা য়াওনা অতৈ চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

২) মণিপুরদা ২৮ শুবা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি ডে ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াহফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়না রিমস ইম্ফালগী দেন্টেল কলেজবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা কলেজ অনিগী মনুংদা অমা ওইনা অমুক হন্না শকখঙখ্রে।

৪) ঝারখন্দগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি সিবু সোরেন্না লৈখিদবদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোক্লি।

অমসুং

৫) ১৩৪ শুবা ওইল ইন্দিয়া দুরান্দ কপকী ইম্ফাল লেগকী গ্রুপ-এফকী মেটচ অমদা রিএল কাশ্মীর এফ.সিনা ত্রাউ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

------

ভল্লা (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইম্ফালগী সৈনিকদা চত্তুনা স্কুল কেম্পস অদুদা গার্লস হোষ্টেল শেমগৎ শাগৎপা য়াওনা অতৈ চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

রেড সিল্ড দিভিজনগী জি.ও.সি মেজর জেনেরেল এস.এস. কার্তিকেয়াগা লোয়নরকখিবা রাজ্যপালনা স্কুল কেম্পস অদুদা লৈবা অমর জৱান মেমোরিয়েল ষ্টোনদা লৈ কৎতুনা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা থৌনা ফবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

তুংদা রাজ্যপালনা স্কুল কেম্পস মনুংদা লৈবা ৱাটর এ.টি.এম অমা শঙ্গাখি অমদি লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা এক পের মাকে নাম কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা স্কুল কেম্পসতা রুদ্রক্ষা উ পাম্বী অমা থাখি। রাজ্যপালনা বিক্রম বত্রা ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াখি অমসুং স্কুলগী মেগাজিন ওর্কিদ ফোংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- লৈবাক অসিগী তুংগী মরাইবক নহাশিংগী খুৎতা লৈ। সৈনিক স্কুল ইম্ফালগী কেদেটশিংনা লৈবাক অসিগা তোঙান তোঙানবা মগুন লৈবা শিনফম পায়রক্তুনা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা রাজ্যপালনা ফোংদোকখি। নহাশিংনা থকশি খাশি নাইনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক থবক তৌনবা পাউতাক পীখি।

ডে(এল)ঃ মণিপুরদা ২৮ শুবা মণিপুর হন্তিগ্রিতি ডে ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইং কুমজা ১৯৯৭গী ওগষ্ট ৪ দা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাকবগীদমক ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা মী লাক্ষ ৫ রোমনা অচৌবা রেল্লি চৎখিবা অদু নিংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন(অমুকো)না শিন্দনা পাঙথোকপা থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম মনাক্তা লৈবা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি পিলরদা মীয়ামা লৈ কত্তুনা হৌখি। তুংদা, জি.এম হোল ইম্ফালদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম হেক হৌবগা মীয়ামা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাকবগীদমক থৱাইনা পোন্থা পীখবা অথৌবশিংগী মফমদা মিনিত ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়- মণিপুরদা য়েলহৌঙেদগী হিংমিন্নরক্লিবা কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমকা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা পুন্না হিংমিন্ননবা অমদি চাওখৎমিন্ননবা হোৎনদুনা লাক্লি। শুবা নোম্বগী হৈনবী নিংথিনা লৈজবা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী ৱাখল্লোন কয়া অসি

ঙসিদি করিগুম্বা হিরম অমগী মতাংদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবগী হৈনবীরোমদা নকশিল্লকপগুম তৌরি। মসি য়ামা লাইৎবক থিবনি। মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা য়েলহৌমী কয়া হৌজিকসু রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা অৱাবা কয়া খাঙদুনা লৈরি। মখোয় অসি মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদ্রিবা মখৈ মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লে হায়বা য়াখিরোই।

থৌরম অদুদা অমুকোগী এদভাইজর ইতো তোংব্রম, পোইরৈ লৈমরোল মৈরাপাইবী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম মেমচা, কবুই মাদরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অতোংপী কামৈ, রবতা মদরিস ইস্লামিয়া অরাবিয়া মনিপুরগী সদার অলহজ মুফতি সিরাজ অহমদ অমসুং ওল মণিপুর মৈতৈ পাংঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম হৈয়াতুর রহমন অমদি শকাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

মার্কেট (এল)ঃ রাজ্যগী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়তি রাজগী মখাদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসন্না বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদা লৈবা লৈমাপোকপম মখা লৈকাই কম্মুনিতি হোলদা অহানবা রুরেল রুটস মার্কেট হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্তরপ্রেন্যুসিপ অমসুং মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসনগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার এন. বন্দনা দেবীনা হায়- অসিগুম্বা কৈথেল অমা হাংদোকবা মীয়ামা কুইনা মংজরক্লবা মঙলান অদু ঙসিদি মঙফাওনহনবা ঙমলে। অসিগুম্বা মখলগী কৈথেল অসি থা থাগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংদোকবা থৌরাং তৌরি। অসিগুম্বা কৈথেল হাংদোকপা অসিনা লৌমীশিংনা পুথোকপা য়োনবা ঙমহৌদ্রবা পোৎলমশিং য়োনজনবগী খুদোংচাবা অমা পীরগনি। মসিনা নুপীশিংনা পুথোকপা পোত্থোকশিং মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবদসু অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। মীয়ামা নিংথিনা মশক খঙলবা পোত্থোকশিং জাতি অমদি অন্তরজাতিগী থাক্তা থাদোকপা ঙম্বগী খুদোংচাবা অমা পীবা ঙমগনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট ই-গভর্নান্স সোসাইতি ককচিংগা খুৎশমরগা ই-ওফিসকী মতাংদা ত্রেনিং পীবগী থৌরম অমা জিলা অদুগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা এন.আই.সিগী ভিদিও কনফরেন্স রুমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ঙসি জিলা অদুদা ই-ওফিস নিংথিনা চলাইনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা দি.সি ওফিস, এস.দি.ও ককচিং, এস.দি.সি ওফিস ৱাইখোংগী তোঙান তোঙানবা ষ্টাফকী মীওই ২২ না শরুক য়াখি।

রিমস (এল)ঃ কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়না রিমস ইম্ফালগী দেন্টেল কলেজ অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফজনা থবক তৌবা কলেজ অনিগী মনুংদা অমা ওইনা অমুক হন্না শকখঙলে হায়রি। দেন্টেল কলেজ রিমসপু অসুমা শকখঙবা অসি থংনা থংননা হন্দক্কা অহুম্লক শুবনি।

ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা রিমস ইম্ফালনা থা অমা চুপা চিন য়া ফনা থম্বনা পুকিং ৱাখলসু নুংঙাইহল্লি হায়বা হিরমদা তোঙান তোঙানবা কেম্পেন কয়া চথখি। চিন-য়া ফনা থমবগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবা রেল্লি কয়া পাঙথোকখি। মসিদা নত্তনা সাইক্লোথোন, লেমা য়া লায়েংবগী কেম্প, স্কুল, সেল্টর অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। চহি অহুম থংনা থংননা জাতিগী ওইনা ইকায় খুমবা উৎলকপা অসিদা রিমসনা নুংঙইবা ফোংদোক্লদুনা মসি ফংনবা হোৎনবদা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনখিবা ষ্টাফ, মহৈরোইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

এক্সিদেন্ট (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মমাংদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা অমদা ঙসি মমা মচা লৈখিদ্রে হায়রি। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- থৌবাল অচৌবা পাখঙখোং লৈরক্তগী মমা মচা অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা মচাগী লায়েংবা চৎখিবনি। মখোয়না তোংলকপা কাইনেতিক হোন্দা অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মপাগী রোড দিভাইদর মনাক্তা খামদুনা লৈরিঙৈদা ইম্ফাল্লোমদগী ককচিং তমা হাইথরকপা দি.আই.

টাটা অমনা থোমজিনখিবনি। থৌদোক অদুদা প্রেমিলা কৌবী চহি ৪৬ লোম শুরবী নুপী অদু খুদক্তা মফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি। অদুগা চহি ১৮ লোম শুরবা মচানুপা অদুনা ইম্ফালগী রাজ মেদিসিতি তমা হাইগৎলকপগী লম্বীদা লৈখিদবনি হায়রি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎলে। লৈখিদ্রবা মমা মচাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

হোমগার্দ (এল)ঃ হোমগার্দ পার্সোনেলশিংগী স্পেসিফিক আহদেন্তিফিকেসন নম্বর (সিন) সেপ্তেম্বর থা ফাওবদা ফংহন্নবা মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা ঙসি মণিপুরগী এদ্দিসনেল দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস (হোমগার্দ)তা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা হায়-হৌখিবা জ্লাই ১৭ দা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফাইনান্স)না ইমপ্লোয়িশিংগী সিন অসি মেনেজমেন্ট ইনফোর্মেসন সিষ্টেমদা চন্দ্রবদি থাগী তলব থাদোক্তনবা ওর্দর অমা থোকখ্রে। হায়রিবা ইমপ্লোয়িশিং অসিগী মনুংদা হোমগার্দসু য়াওরি। হোমগার্দ পার্সোনেল লিশিং অনিরোমগী সিন সার্তিফিকেট খুদক্তা শাবা হায়বসি অৱাবা ওইগনি। অদুনা মতম লৈরিঙৈদা হোমগার্দশিংগী আইদেন্তিফিকেসন নম্বর সেপ্তেম্বরগী অরোইবা চয়োল ফাওবদা ফংহন্নবা খুদক্তগী থবক পায়খৎপীয়ু। চেরোল অদুদা মখা তানা হায়-হোমগার্দশিংগী ওইনদি স্পেসিফিক আইদেন্তিফিকেসন নম্বর পীবীনবা হান্নদগী দাবী তৌদুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা আইদেন্তিফিকেসন নম্বর অসি ফংহৌদবা থোক্লবদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োকনবা মরম অমা ওইরগনি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসতা ঙরাং অহিং চীং নীংখায়বদগী জাদোনাং বজারগী লোকেল চিকন মার্কেট অমাং অতা থোক্লে। তমেংলোংগী ৱার্দ নম্বর থ্রিদসু চীং নীংখায়খি হায়রি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা জিলা অসিদা লেপ্তনা নোং চুবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে হায়রি।

ইভিক্সন(এল) ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা আইন কাইনা লম খোপচিনবশিং তকথোকপগী থবক মখা তানা চথখি। ঙসি য়োংলান লৈরক্তগী হৈনৌবোন লৈরক ফাওবা তকথোকপগী থবক চথখি। হয়েংনা হৈনৌবোন লৈরক্তগী কোংবা থোং ফাওবা তকথোক্কনি। জিলা অসিগী ওইনা আইন কাইনা লম খোপচিনবশিং তকথোকপগী থবক মখা লেপ্তুনা চথখিগনি হায়রি।

কোভিদ (এল)ঃ  মণিপুরদা ঙসিসু কোবিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা মীওই অমত্তা থেংনদ্রে। ঙসি ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২ অমসুং কাংপোকপীদগী পুন্না সেম্পল মরি টেষ্ট তৌখি। হৌজিক এক্তিভ কেস অনি লৈরি।

জিবন (এল)ঃ    জিবন হোস্পিতাল ককচিংদা ঙসি ৱার্ল্ড ব্রেষ্ট ফিদ্দিং ৱিক ২০২৫ পাঙথোকখ্রে। চয়োল পালন অদুগী থিমনা প্রাইওরিতাইজ ব্রেষ্ট ফিদ্দিং-ক্রিয়েট সষ্টেনেবল সপ্পোর্ট সিষ্টেম হায়বসিনি।

পালন থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী পোষ্টর কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা মকোক মথং তারবশিংদা মনাশিং য়েন্থোকখি।

এৱার্দ (এল)ঃ   কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্তরনা অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী নহা ওইরিবা আর্টিষ্টশিংদা য়ং টেলেন্টেদ আর্টিষ্ট এৱার্দ পীগদৌরি। মসিগীদমক ফোল্ক এন্দ ত্রাইবেল ম্যুজিক, সোং এন্দ দান্স, থিয়েটর, দান্স, ড্রামা, মাইম, পেন্টিং, ৱুদ, কেন এন্দ বেম্বু ক্রাফট, ত্রেদিসনেল হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস, পোটরি অমদি তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মশাগী চহি ১৮ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী ওফিসতগী হয়েংদগী থাবা হৌরগনি। মেনশিল্লবা ফোর্ম থা অসিগী ১৮ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা দিরেক্তোরেট অসিদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

সিবু সোরেন ঃ   ঝারখন্দগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি সিবু সোরেন্না লৈখিদবদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- সিবু সোরেন্না লৈখিদবা অসি সোসিয়েল জষ্টিসকী লমদা চাউনা মাংজবা অমনি। মহাকা হায়- লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা ত্রাইবেলশিংগী শক্তম ঙাকবা অমসুং ঝারখন্দ রাজ্য শেমবা মাংজিল থানা হোৎনখি। মহাকা মীয়ামগী য়াইফনবা, অখন্ননা ত্রাইবেল ফুরুপশিংগী য়াইফনবা হোৎনরম্বশিং অদু মতম পুমমক্তা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- সিবু সোরেন অসি খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তগী হৌরক্লগা কৎথোকপনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী লুচিংবা ওইরকখিবা মীশক অমনি। সিবু সোরেন্না ত্রাইবেল ফুরুপশিং, লাইরবা অমসুং নৈহৎপীরবা কাংবুবু শক্তি পীনবা মতম পুমমক্তা লেপ্তুনা হোৎনরম্মী।

ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়- সিবু সোরেন অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং খুনাইগী অশোনবা কাংলুপশিংগী হক অমসুং মখোয়বু শক্তি পীনবগীদমক লেপ্তুনা হোৎনখিবা মীশকনি। মহাকা হায়- সিবু সোরেন্না মতম পুমমক্তা মীয়াম অমসুং মরমদমগীদমক লেপ্তুনা লৈখি।

ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চাগী ফাউন্দর অমসুং রাজ্য সভাগী সিত্তিং মেম্বর সিবু সোরেন ঙসি অয়ুক নিউ দিল্লিদা লৈখিদবনি। মশাগী চহি ৮১ শুখ্রে। মহাক লোক সভাদা ৮ লক কারম্মী অমসুং ঝারখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি অহুম্লক ওইখি। মহাক কেন্দ্রগী মন্ত্রিসু ওইরম্মী। মহাকা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্তুনা রাজ্য সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি।

মন্দাভিয়া ঃ কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- রোজগার মেলাগী মখাদা হৌখিবা থা ১৬ তা থবক থিরিবা মী লাখ ১১ হেন্না থবক ফংখি। লোক সভাদা মখা তানা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়- আর.বি.আইগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা চহি তরা অসিদা নহা কোতি ১৭ হেন্না

থবক ফংখ্রে। মহাকা হায়- য়ু.পি.এ সরকারগী মতমদা চহি ১০ দা থবক পীনবগী খুদোংচাবা কোতি ৩ তমক ওইখি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি বিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনাগী মখাদা মথং চহি মঙাদা থবক কোতি মরি হেন্না পীনবা লুপা কোতি লাখ ২ খাত্তুনা থম্লে।

মার্কোস ঃ ফিল্লিপ্পিন্সকী রাষ্ট্রপতি ফরদিনান্দ আর. মার্কোস জ্‌নিয়রনা ভারত অসি য়ামা মরুওইবা মরুপ অমনি হায়না শিংথাখ্রে। শ্রী মার্কোসকী নুমিৎ মঙানিগী ভারত খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরে।

রাষ্ট্রপতিনা মহাক্কী খোঙচৎ হৌবগী ৱারোল অমদা হায়- ভারতকা লৈবাক অদুগা লৈনরিবা মরী তংদু লৈতানা চাওখৎলকপা উরে। মদু মীৎয়েংদা মপুং ফারে অমসুং মায়ওন কয়া লৈবা মরীনি। মহাকা হায়- ভারতকা মতেং পাংনবা য়াবা মচাক কয়ামরুম অমসু লৈরি। রাষ্ট্রপতিনা মপুং ওইনা ঙাকশেল, লল্লোন ঈতিক, হকশেল, হিদাক শাবা, লৌউ শিংউ, তুরিজম অমসুং দিজিতেল কন্নেক্তিভিতিদা তেংবাং পীনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়খি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

দ্‌রান্দ কপ ঃ ১৩৪ শুবা ওইল ইন্দিয়া দুরান্দ কপকী ইম্ফাল লেগকী গ্রুপ-এফকী ঙসি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রিএল কাশ্মীর এফ.সিনা তিদিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাউ) এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। রিএল কাশ্মীরগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৪ শুবা মিনিত্তা মরক তারেখ অমদি ৬৪ শুবা মিনিত্তা নিংথৌখোংজম রোহেন্না চনখি। ত্রাউ এফ.সিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনিত্তা অফ্রিদি বুয়াময়ুমনা চনখি।

গ্রুপ-এফতা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমনা মেটচ অমদগী পোইন্ট ৩ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি। রিএল কাশ্মীরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ অনিদগী পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনিসুবদা লৈরি। নেরোকা এফ.সি অমসুং ত্রাউ এফ.সিনা পোইন্ট অমমম ফংলি।

গ্রুফ-এফকী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৭ তা নেরোকা এফ.সি অমদি ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিম অনিনা শান্নগনি।

গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা কোলকাতাগী বিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি ত্রি-রঙ্গনদা হৌজিক মোহন বগান সুপর জাইন্টকা বি.এস.এফ ফুটবোল টিমগা শান্নরি।

গোল্ফ ঃ পাইন হার্স ভিলেজদা পাঙথোকপা গোল্ফকী য়ু.এস. কিদস ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী বেদিকা বন্সালিনা নুপীমচা চহি ৯ গী কাংলুপ্তা চেম্পিয়ন ওইরে। মহাকা জপানগী ইমি মিনামিবু সোট ১ দা অমদি আমেরিকাগী ওদ্রিবু সোট ২ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী নুপীমচা চহি ১১ গী কাংলুপ্তা ভারতকী গোল্ফর আইরানা অহুমসুবা তারে।

ক্রিকেট ঃ অহানবা নুপীগী আই.পি.এল ষ্টাইল টি-ত্বেন্তি ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী বেঙ্গলুরুদা হৌখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মাইসুরু ৱারিয়রস, হুব্লি টাইগরস, কল্যানি বেঙ্গলুরু ব্লাষ্টার, মেঙ্গলুরু দ্রেগনস অমদি শিবা মোগা লাইওনেস শরুক য়ারি। টি ত্বেন্তি মহারাণি ত্রোফি অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা এম. চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা শিবা মোগা লাইওনেসনা হুব্লি টাইগরসপু রন ১৫ দা থোইখ্রে।

------